থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# লমহাঙবু মোংফম ওইহনগুমসি

কোকসিদা অতে ৱা চঙউ য়াদে কোভিদ-১৯গী পাউ নত্তনা। ইন্দিয়াগী ওইনা লাখ কয়া হেনগৎখ্রে... নৌনা শিবা মীওই কয়ানো... মণিপুরগী ওইনা কয়া নৌনা হেনগৎলগা, শিবা কয়া য়াওখ্রবা...? সরকারগী ওইবা পাউগী লীখুন অসিদি, থাজবা/থাজদবই ৱাদু তোকখ্রগা, লৌফম ফাওবা লৈতবনি। য়ু-ত্যুব নৎত্রগা হ্বাটসএপ- সোসল মীদিয়া অনীসিগী মতেঙ নত্তনা কোরোনাগী ওইরো, পোলিটিক্সকীবু ওইরো ঐখোয়দা পাউ য়ৌরক্লবগী অতোপ্পা পান্বে অমা লৈতে। নেগেটিভ অমদি পোজিটিভ- অনীমক ইতোৎ তোৎশিন্নবা পাউনি নোংমদা মশীং খঙদনা ফংলিবা তানীংদবা/য়েংনীংদবা ৱাথী-ৱারেম কয়া অমসু য়াওরক্তবা নত্তে। অদুগুম্বা মেসেজদুদি থীন্থদনা সৎ-সৎ মুখৎলি, মেমোরি স্পেস মাঙনবনি খন্দুনা। নেসনল ইন্টরেষ্ট'তা খন্নবা য়াবা পাউ অনীখক ফংই (মীশি-মীনাগী পাউদুদি তম্নীংদ্রে, তাগে খনবীরুবনু ৱাখল লাইমন ওইনবনি)। অহানবা পাউ- গঙ্গা তুরেল মরীন্দা, বিহার-য়ু পি তাইনবা বক্সর'দা অশিবা হকচাং চাময়াংখৈমুক তাউথরকপা থেংনরে, কোরোনা শন্দোকপদা হেন্না মতেং পাংগনি, তৌবীগনু পাউমেল্লি, হৌজিক কন্না থিজিল্লি। করিবুদি তৌরুনি... অশিবা হকচাং পোৎলোইবগী, ওথোরিটিনা লৌরিবা লুপালিশিং য়াঙখৈ কদায়দগী পীরুনি! গঙ্গা তুরেল তোর্বান্দা কাবক কাবক লৌননবা 'শীং'দুসু লৈবা ফংখিদ্রে। নুংশি-পাম্মুই হায়দুনা অশিবা হকচাংদু কোন্দুনা থন্বদি য়াবা নত্তে। অনীশুবা পাউদুনা... ইনি দয়াদা ফংবা ৱারবা/ফংলিবসিনা কোন্নদ্রবা, মপান লৈপাকশিংদগী মতেং ওইনা পীরকপা ওক্সিজেন-কন্সেন্ট্রেটরশিং- কয়ানো? কদায়দা থমখ্রবগে? কনানসু হায়বা ঙমদরে। খঙদ্রে হায়বই ৱাতনি, খঙ'দি খঙলিবনি- পুন্নমক্তু অচৌ-অশাং-ভি ভি আই পিশিংগীদমক লোৎশিন্দুনা থমখ্রবনি, নৎত্রগা মখোয় মখোয়গী নক্লবা মরী-মতাশিং থল্লিবা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা শায়েন-ঙাৱেন্নবগুম য়েহ্নোক্লখ্রবনি। লায়রবা মীচম-মীয়াম অদুনা কপ-কপ চিংদুনা শিজনবা।

তোকশি মীরমগী পাউ অসি। নৈনসি ইরমদমগী পাউ, কোভিদ-১৯গা মরী লৈনবা। অতে পাউদি তানিংলোই খঙই ঐ। ইরৈকায় অমদি য়ুম্লোন্নবা, নক্লবা লমসিদা থোকখিবা, চুম্মী-লাল্লি ইখোঙনা চৎতুনা হংলুবা য়াবা পাউদুমক্তদা য়ুম্ফম ওইজগে। অকিবনা লাকশিল্লবা, কোম্হোং ৱাংমা লান্নখিদ্রবা, য়ুমদা মীতোপ লাকহন্নিংদ্রবা, শকখঙদবা পুন্নমকপু কোরোনা-তীন-চেন্নবা মী ওইনা উন্নরবা মতমনি, ৱারৌনবসু য়াদবা। অসিগুম্বা মতৌসিবু পোষ্ট-কোরোনা-পেরিয়দকী নুংশিনবা- উৎপা-মতৌদুনি কন্না হায়নরক্লিবা। মসিবু ঐহাক য়াসিরা! নুংশিরবা ইমাবু, পাম্মুরবা ইচাবু নাইতোম হুন্দোক্তুনা থম্বদু নুংশিবা-পাম্মুবগী অনৌবা দিফিনিসন ওইহন্নবা হোৎনরকপ'সিমদি ঐহাক য়াবা সুপঙম ঙমদে। তৌফদ্রবা থৌদাং অমা ওইরবসু নুংশিবনি হায়ব'সিমদি হায়নিংদে।

য়ুম্লোন্নবা লৈকায় অমগী ৱারীনি। কোরোনা নাবা অমা-অনী-অহুমদগী তরেৎ-নিপান'দা হেনগৎলকপদগী ক্লবকী ভোলুন্টিয়রশিংনা মীয়াম্বু য়ুমদই মপান থোক্তনবা পাউমেনখি, চেকশিন থৌরাং ওইননি। মরকসিদা য়াওরকই- চহী য়াঙখৈ তরেৎ-নিপানগী কোভিদ- পেসেন্ট-নুপী অমা। হোম আইসোলেসন'না য়াররোই, হোস্পিটাল অমদা পুখৎপা তঙাইফদরে- খঙলবসু ঙমখিদে। মরম? 'ষ্টেট কোভিদ এদমিসন কম্মিটি'দা কন্টেক্ট তৌদুনা, মহাকপু করম্বা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়েংবীগদগে হায়বদু হংবীনবা, ফোল্লো-অপ তৌবীনবা মহাক্কী মী লৈতবা! মণিপুর গভর্ণমেন্টকী অনৌবা য়াথংনি- কোভিদ-১৯না নাবা মী অমদি শিবা মশীং লেপ্তুনা হেনগৎলকপা অসিনা, মণিপুরদা লৈরিবা সরকারগী অমসুং লন্নাই-লায়েংশঙশিংদা কোভিদ- পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং, হেক্তা পুখৎতুনা লায়েংবা য়াররোই। অনাবশিংনা হীপ্পবা ফমুং লৈতবা। গভর্ণমেন্ট'না পীরিবা ফোন নম্বরশিংদা কন্টেক্ট তৌদুনা, ষ্টেট কোভিদ এদমিসন কম্মিটিগী খুখাঙদা, করম-করম্বা হোস্পিটালদা ফমুং কয়া হাঙবগে হায়বগী পাউ লৌগনি। অহাঙবা ফমুং লৈরবসু হেক্তা পুশিনবা য়ারোই। কদায়দগী, কনানা পীরকপা 'টেষ্ট-রিপোর্ট'নো? অনাবদু করম্বা ফীভমদা লৈরিবগে- থিজিল্লবা মতুংদা এদমিসন তৌহনগনি। পুন্নমক্তু, মীচঙ লৈজদবা, ইনফোর্মেসন ৱাৎচবা নুপীদুগী ইমুংদুদি খঙখিদে। য়ুম্লোন্নবা ইমুংসু লৈখ্রে ছো লোন্দুনা। নায়তোম-হুন্দোকপীরবা কাদুদা মহাক্কী অরোইবা মীকুপ্তু কয়াম ৱানা ঙাইরমগনি! ওন্থোকপনি! মহাক লৈত্রে তাবদগী, লৈকায়দুগী য়ুমকোকশিং, কোম্হোঙ ৱাংমা লাল্লমদবদু মাগী মাগী কাদই হেন্দোক্লরকখিদে, য়মরাজগী দুতশিংনা থোঙজিন্দুদা লেপ্লরবগুম। লৈকায়দুগী লম্বীশিং-তুমীৎ ফাওবা পাইখিদে। লাইরৈবাক্কী খোঙচৎতুসু মমল পীদ্রবদি চৎপা য়াহন্দ্রবনি। কয়াদা তমথীখ্রবা মতমসিগী শক্লোন'নো! এদমিসন কম্মিটিনা অয়াবা পীদুনা মিং চল্লবা অনাবা ময়াম, হোস্পিটাল অমগী লময়ায়দা/লৈমায়দা ফক থাদুনা ওক্সিজেন-সিলিন্দর মনাক্তা হীপ্লিবা হীপ্লিবশিংগী ভিদিও অদু য়েংলুরগা ফাওরকখিবা ৱাখলনি-দিল্লি-বোম্বে- য়ু পি'দা ওইরিবা য়েংহৈদ্রবা শক্তমসি ইম্ফালদসু উদৌরবরা? নীংশিংলকই- ৱুহান সহর'দা কোভিদ'না নারবা অনাবশিং লায়েংনবা ফমুং ১০০০ লৈবা হোস্পিটাল অমা নুমীৎ ৬ নিদা শাখিবদুগী পাউ ফোঙ-ফোঙ শারিঙৈ, ঐখোয়গী চীফ মিনিষ্টরনা মোংশাঙ্গে অসিৱাইদা নুমীৎ তরামঙানিগী মনুংদা কোভিদ-হোস্পিটাল অমা শাগনি হায়দুনা মফম য়েংবা চৎখিবগী ভিদিও ইমেজ অমা কেবল-টেলিভিজন-নিউজ'দা য়েংখিবদু। শাবমক্তি শাখিদে। থৌনাদুদি থাগৎখি থম্মোয়সিদা তুমীন্না। হোস্পিটালদুমক শাখিদ্র'সু কোভিদ-ক্যের সেন্টর কয়াদি ক্যের টেকর হাপ্তুনা লীংখৎখি। মীয়াম্না পেন্নখিদ্র'সু হীদাক-লাংথক, অচা-অথক পীদুনা হোৎনবা য়াবদি হোৎনখি।

ঙসি, ফীভম শোকচিল্লক্লবা, অশি-থোঙ লাওনা হাংদোরক্লবা মতমসিদদি অদুগুম্বা সিরিয়স ওইবা মতৌদু মাঙখিবগুম তৌরক্লে। কোভিদ-ক্যের সেন্টর (সেকেন্দরি হোস্পিটাল)শিং লিংখৎপগী মহুৎতা 'কম্যুনিটি হোম ক্বারন্টিন সেন্টর' হায়ব'মা লিংখৎনরকখি- সরকারগী শেল তিংদবা, চাবা-থকপা-হিদাক-লাংথক মরন্নাই- থৌরাং তৌজবা। শেল লৈমন্দবদগী অশিংবা থৌরাঙ অসি পায়খৎলকপনি- হায়নরকই মায়কৈ খূদিং। কোভিদ- পোজিটিভ ওইরবা মীশিংগী মফমদা খ্বাইদই হেন্না তঙাইফদবা পোৎশক্তি- পোজিটিভ ওইবা ৱাখল ইহুল পোকহনবা ৱাহে-ৱাঙাং অমদি ৱারীদুনি, বোদি-ইম্যুন কনখৎহনবদা মতেঙ ওইনবা। হৌখিবা চহীদা কোভিদ- ভিক্টিম ওইরুরবা মরুপ অমনা হায়... 'নুংশিরবা ইমুং-মনুং-মরুপ-মপাং পুন্নমক্না ঈনাক্তগী লাপখ্রবা, কনানসু শোক্ল-শম্নবীদনা ইদোম তরক লৈরিঙৈ মতম অদুমুক তমথীবা মীকুপ অমুক লাক্কনি থাজদে... নোংমা-ফাদোক মরুপ অমনা ফোন তৌরকপা, অহিংচুপ্পা লেপ্তুনা ৱারী শানিংখি'...। ইন্টরনেটকী জুগসিদা, ঐখোয়না উরিবা য়েং'ঙমদবা মমিগা ইরোয়নবা পাউশিংসি মখোয়না উরগা 'পীকশিল্লমগদা মথম্মোয়'... ঐখোয় অমুক্তং খন্থসি। 'ঐখোয় লৈরি, গেৎ ৱেল সুন'দমক হায়রুবদা কনখৎলক্কদবা পূক্নিংগী মপাঙ্গল, থাজদবা তৌগুমসি। সিরিয়স ওইনা কোভিদ-১৯ নারুরবা অনাবা চহুম হেন্না মায় পাক্না লায়েংখ্রবা ব্রিটিশ ডোক্তর অমনা হায়,... 'ঙসি মালেম শীন্না খঙমিন্নগদবা ৱাফমসি- ঐখোয়দা ঙসি শীংনরক্লিবসি ভাইরস অসিনা নত্তে। ঐখোয়দা কন্না শীংনরক্লিবদি 'হোংবা ঙমদ্রবা ঐখোয়গী ৱাখল' অসিনি... লৈঙাক্লা পীবা ওফিসল-য়াথং অমদি প্রোটোকোল ঙাক্লবা হোৎনবদগী মরম-চাদা'-মাঙখিগদবা থৱায়শিংসি কন্নবা ইশাগী ৱাখল-খুৎখন হোংদোকপদুনা হেন্না মরুনি'...।

'সি য়ৌরবা তানফমসিদা, লায়নাসিদই ঙাকথোক্লবা হীদাক কাপ্পা চৎপদা, লায়না পুরগা লাকপই থৌদোক থোক্লক্লিবা, ভেক্সিন মশীং ৱাৎলক্লিবা, মীশিং শুনা কাপ্পদা চহী হেন্না চঙবই মওং লাক্লিবা... লৈঙাক্কী অচৌবা অশোয়বসিবুসু খুদক্তা চুমথোক্লবা থৌরাং পায়খৎকদবনি, লমহাঙনা মোংফম ওইরক্ত্রিঙৈ।

# রিমস নর্সেস এসোসিএসন এ এম টি য়ু সীনা এফিলিএসন পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ১১ (ঐচএনএস):

রিমস নর্সেস এসোসিএসন ঙসি ওল ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়নস কাউন্সীল (এ এম টি য়ু সী)গী এফিলিএসন কম্মিটিগী মীফম্না এফিলিএসন তৌবদা অয়াবা পীখ্রে হায়না এ এম টি য়ু সীগী সেক্রেটরি বব্লু ৱাহেংবমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুরগী খ্বাইদগী লিরবা নন-পোলিটিকেল বোদি অসিদা থাজবা থমদুনা রিমস নর্সেস এসোসিএসন্না এফিলিএসন তৌরকপদা কাউন্সীল অসিগী প্রসিদেন্ট টি টিকেন্দ্রজিৎনা য়ুনিয়ন অসিগী মেম্বরশিংবু কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক মতমদা খুন্নাইসিগী খন্দুনা হনবা লৈতনা মীয়ামগী মতেং পাংবীবগী শিংবা ঙম্নরোইদবা লম্মন তোশিঞ্জরে হায়খি। লোয়নন্না পব্লিক ৱর্ক্স দিপার্টমেন্টকী এম আর/কেজ্যুএল ৱর্কর/হোম গার্দশিংগী থা ৬কী খুৎশুমল ফাইনান্স দিপার্টমেন্টতা পন্দুনা লৈরিবা অসি পেন্দেমিক অসিগী খনবীদুনা স্পেসল কন্সিদরেসন তৌবীদুনা পীথোকপীননবা মরী লৈনবশিংগী পূক্নিং চিংশিনখি।

কমপ্লেন্ট কন্ট্রোল সেন্টর (সী সী সী) অসিবু হকথেংননা অপদেদ তৌবা লাকখিবা ভারতিয়া থেকা মজদুর মহা সংঘগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর এ প্রেমকুমারগী মফমদা এ এম টি য়ু সীগী সেক্রেটরি বব্লু ৱাহেংবম অমদি ভারতিয়া মজদুর সংঘ, ন্যু দেল্লীদা এফিলিএসন তৌরিবা এম এস পি দি সী এল ঈ ঈ য়ুগী প্রসিদেন্ট চনম গ্যানেন অনীনা ঙসি ফাওবদা সী সী সী মণিপুরদা কমপ্লেন্ট অনী লাকখি। লোয়নন্না কমপ্লেন্ট খূদিংমক মিনিষ্ট্রি ওফ লেবরগী জুরিসদিক্সন ওইবনা দেপ্যুটি চীফ লেবর কম্মিস্নার (সেন্ট্রেল)গী হাংলিবা কমপ্লেন্ট কন্ট্রোল সেন্টরদা রেকমেন্দ তৌখ্রে হায়না পাউদমখি।

আই এল দব্লিয়ু এস ভি দব্লিয়ুগী ভি পি টি ঐচ রুপাঞ্জলিনা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক লমদম অসিদা শুংশোয় শোয়দনা মাইগ্রেন্ট লেবরগী প্রোব্লেম লাক্কদবা লৈরবনা মাঙজৌননা লেবর দিপার্টমেন্ট খুউ শেনবীবা তঙাইফদ্রে। হৌজিক ফাওবদা মণিপুরদা লৈরিবা মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিং লেবর কোদ-২০২০গী মতুংইন্না সোসল সিক্যুরিটি পীবা ঙমগদৌরিব্রা। লমদম অসিদা লৈরিবা অন-ওর্গনাইজ ৱর্করশিং লেবর কোদ-২০২০না সোসল সিক্যুরিটি পীগনি পল্লবসু করম্বা প্রোটেল/লোয়শঙদা রেজিষ্টর তৌহনগদৌরিবনো হায়বসি দিপার্টমেন্ট অসিনা অথুবা মতমদা ফোঙদোকহন্নিংবগী অপাম্বসু দিপার্টমেন্ট অসিগী পূক্নিং চিংশিনখি।

মীফম অদু য়াওবা লাকখিবা এ এম টি য়ু সীগী ভাইস প্রসিদেন্ট কে জয়ারানিনা হন্দক মণিপুর লৈঙাক্লা কোভিদগী মতাংদা মতম শাংনা ৱাজরক্লবা শিন্মীশিংবু লৈঙাক্কী রেগ্যুলরাইজেসন তৌবদা হেন্না খুদোংচাবা পীগনি হায়রিবসি লৈঙাক অসি মীয়ামগী লৈঙাক্কি হায়বগী তশেং তশেংবা খুদমনি।

মহাক্লা মখা তারদুনা হায়খিবদা, হৌজিক মণিপুর ষ্টেট হেল্থ মিসন সোসাইটিগী মখাদা থবক শুজরিবা এ এন এম পার্ট বিগী নর্সিং অসি কোভিদ-১৯গী মতমদা মথৌ নীংথিনা পাঙথোকখিবা ঙাক্তনি। মখোয়শিং অসি ইমপ্লোয়ীজ প্রোভিদেন্স ফন্দ ওর্গনাইজেসনগী এদভান্স কোভিদ-১৯ ফজরবা ঙাক্তা ওইবনা মিসন অসিগী হৌরকফম ওইরিবা হেল্থ দিপার্টমেন্টকী চান্নবা ফিদর পোষ্টশিংদা রেগ্যুলরাইজেসন তৌবীনবা লৈঙাক্কী পূক্নিংসু চিংশিনখি। লোয়নন্না নর্সশিংনসু অঙম্বা থৌনা পুথোকপীদুনা মীয়াম হুম্না কোভিদ থেংনমিন্নসি হায়নসু আপীল তৌখি হায়না চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# 'কোভিদ-১৯ লান্থেংগী থৌশিল চেকশিনমিন্নসি'

ইম্ফাল, মে ১১ (ঐচএনএস):

কোভিদ-১৯ লান্থেংগী থৌশিল চেকশিনমিন্নসি হায়না ওল মণিপুর য়ুথ প্রোটেক্সন কম্মিটি (এ এম ৱাই পি সী ও)না ফোঙদোরক্লি।

এ এম ৱাই পি সী ওগী প্রসিদেন্ট এল শ্যাম খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মালেম পুম্বদা পেন্দেমিক ওইনা শন্দোক্লিবা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ অসিনা মণিপুরদসু অসুক্কী মতিক শাথিবা মওংদা লাইচৎ অসি শন্দারক্লি। চাংচৎতা নোংমদা মীওই ৪০০/৫০০ কোভিদ পোজিটিভ ওইদুনা নোংমখক্তদা মীওই ১৫ লৈখিদবা য়াওরক্লিবা অসি য়াম্না চেকশিন্নিংঙাইনি। করিদগী মতৌ করম্না মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি ফীভমসি য়ৌনা শোকচিনখিবনো হায়বসি য়াম্না কুপ্না নৈনবগা লোয়নন্না কোভিদ-১৯গী লান্থেং থৌশিল রিভিয়ু তৌবা তঙাইফদ্রে খল্লি।

মণিপুর খুন্নাইনা ঙসি থেংনরিবা কোভিদ-১৯ চৈথেং অসি হৌখিবা থা খরা অসিদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী অচৌবা অশোয়বা অমসুং ঐখোয় মীয়াম্না চেকশিনবা ৱাৎপদগীনি। য়াওশং, হরাও-কুক্কৈ, ঈশৈ-নোংমাই অমসুং মীয়ামগী খোঙচৎ কয়া লাইচৎ অসি লৈত্রবগুম পাঙথোকপদা গভর্ণমেন্টনা অকনবা মীৎয়েং চঙখিদে। কোভিদ-১৯ অহানবা ওইনা শন্দোরকখিবা চিনানা মতৌ করম্না লাইচৎ অসি লাকশিনবা ঙমখিবগে হায়বা অদু কুপ্না নৈনবা মথৌ তাই খল্লি। ঐখোয়সু কোভিদ এপ্রোপ্রিয়েট বিহেবিয়র করিনো খঙগদবনি। লোয়নন্না চান্নবা এস ও পি থোক্তুনা চপ চানা চৎনহনগদবনি। এস ও পি মপুং ফানা চৎননবা হোৎনবদা লৈরিবা ইমপ্লিমেন্টিং এজেন্সীনা পুকচেল শেংনা হোৎনবা, লো থুগায়বশিংনা চৈরাক ফংবদা মীয়াম্না ৱারৌগদবা লৈতে। তশেংনা হায়রবদা, ইমপ্লিমেন্টিং এজেন্সী অশোয়বা কয়া লৈখ্রবরা খল্লি।

কোভিদকী অনাবশিংনা হোস্পিটালদা এদমিট তৌনবগী কাঙলোন অসিনসু অশিবা মশীং হেনগৎনবগী মরম ওইরি। লন্নাই হোস্পিটালশিংনসু অনাবা খূদিং ফি চাউনা লৌরে হায়বগী ৱাকৎ কয়া লাক্লি। অমরোমদা, নোংমগী শুরগা চারিবা শিন্মীশিংদি পোৎচৈগী মমল হেনগৎলকপা, শুফম নোম্ফম লৈতবনা হেন্না অৱাবা মায়োক্লরক্লিবা অসি কোক্লবা পোৎচৈগী মমল কন্ট্রোল তৌবা অমসুং শেল-থুমগী মতেং পাংগদবনি। মরম অদুনা গভর্ণমেন্টনা অথুবদা য়াম্না কুপ্না খন্নদুনা কোভিদ-১৯ লাকশিনবগী সোর্ট টর্ম অমসুং লোং টর্ম থৌশিল শেমদুনা লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা হোৎনগদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ইদুল ফিল্টরগা মরী লৈননা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১১ (ঐচএনএস):

মৈতৈ পাঙলশিংগী লাইনিং-লাইশোলগা মরী লৈননা পাঙথোকপা ইদুল ফিল্টরগা মরী লৈননা হৈরোক ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটি অমদি হৈরোক এসেমব্লী য়ুথ কোংগ্রেস কম্মিটিনা এ সী অসিগী মনুংদা লৈবা মৈতৈ পাঙলশিংনা খুন্দারিবা ময়াই কৈথেল, জালিয়াংবী অমদি সিখোংগী য়ুমথোঙ ৫৮০ হেনবদা চেঙ, চিনি, থাউ অমদি অথুম-অহাউনচিংবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

থৌরমদুদা ৱাংখেম জিলা পরিষদকী মেম্বর কে ঐচ সোভা, মোইরাংথেম চরঞ্জিৎ, ঐচ এ ৱাই সী সীগী প্রসিদেন্ট নিংথৌজম দিলিপ, ত্রেজরর নিংথৌজম কনর্জিৎ অমদি ঐচ বি সী সীগী মোইরাংথেম রতনকুমারনচিংবনা য়ুমথোঙ খূদিংদা পোৎলমশিং য়েন্থোকখি হায়রি।

# ইমা পান্থোইবী সনা কৈথেল লূপকী ৯ শুবা মপোক কুমওন থৌরম কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইদুনা পাঙথোকখিদ্রে

ইম্ফাল, মে ১১ (ঐচএনএস):

কুমজা ২০১২গী মে ১১দগী হৌরগা লেপ্তুনা চহী খূদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী মরিশুবা ইমা কৈথেল ইমা পান্থোইবী সনা কৈথেল লূপ (টেম্পররি মার্কেট)কী ঙসি পাঙথোক্কদবা ৯শুবা মপোক কুমওন থৌরম হন্দক চহীগীসু মালেমগী ওইনা লেপ্তুনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা পাঙথোকখিদ্রে হায়না ইমা পান্থোইবী সনা কৈথেল লূপকী জেনরেল সেক্রেটরি কে ঐচ জয়মতি লৈমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ইমা পান্থোইবী সনা কৈথেল লূপকী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখিদবা অসিনা মরম ওইদুনা এপেক্স বোদি অমা ওইরিবা লূপ অসিগী মেম্বর ওইরিবা লাইসেন্স কার্দ পায়বা মেম্বরশিং অমদি পায়দবা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগী লাইরিক-লাইশু, শান্ন-খোৎনবদা মীথোই মীহেনবা অফবা মচাশিংদা মনা পীদুনা মীয়ামদা খঙহনবগী খুদোংচাবা অদু হন্দক চহীগীদি য়াদ্রে। অদুবু নুংশিজরবা মেম্বরশিংনা মচাশিংবু অফবা মীওই অমমম ওইহন্নবা হোৎনদুনা মথং চহীদা মনাশিং অসি লৌননবা অমদি ফংননবা হোৎনবীয়ু। মালেমসিদা অমদি লমদমসিদা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা অমদি হৌজিক হৌজিক নাদুনা লৈরিবা অনাবশিংবু অথুবদা ফগৎহন্দুনা ঈংনা চিক্লা লৈহনবীয়ু হায়না ঙসি মরিশুবা কৈথেলদা লৈরিবা ইমা কৈথেল লাইরেম্বীগী খুভমদা মৈরা কৎতুনা থৌনিজখি হায়নসু ইমা পান্থোইবী সনা কৈথেল লূপকী জেনরেল সেক্রেটরি কে ঐচ জয়মতি লৈমনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

লৌশিং পুক্কে

# দবল মাস্কিং:

## করম্না, করিগী অমদি করম্বা মতমদা মাস্ক অনী উপকদগে? -২

**নীংশা হোনবা–** মাস্ক অনী উপ্পা মতমদা নীংশা হোনবদা খজিক্তং নুংঙাইতবদি য়াই, অদুবু মদুনা নীংশা হোনবদা খুদোংচাদবদি থোক্লোইদবনি।

**মীৎনা উবগী ফিভম–** মাস্ক অনী উপ্লিবা অদুনা মীৎতদি খূমজি লহল্লোইদবনি।

**মতাং মতমগী মতুংইন্না ফিভম য়েংবা–** য়ুমগী নত্তবা অতোপ্পা মীওইশিংদগী য়ামদ্রবদা ফিট ৬ কী অরাপ্পা মেন্টেন তৌবা ঙম্লগদি মাস্ক অমতং উপ্পনা নীংথিনা ঙাকথোকপা ঙমগনি। অদুমওইনমক, দুকানদা পোৎ চৈ লৈবা চৎপা; দোক্টরদা চৎপা; অতোপ্পা মীওইশিংগা য়ুমদগী চথোকপা, খুদম ওইনা প্লেন, ট্রেন, নৎত্রগা পব্লিক ট্রান্সপোর্টেসনদা চৎপা; অমসুং ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং ঙাকপা য়াদবা থবক অমা তৌবা মতমদদি মাস্ক অনী উপ্পনা কান্নবা পীবা ঙমই।

**দবল মাস্কিংনা কয়া য়াম্না ইফেক্টিব ওইবা হেনবগে?**

মাস্ক অনী উপ্পগী রেক্কমেন্দেসন অসি সী দি সীগী ষ্টদি অমগী ফাইন্দিংশিংগী মতুংইন্ননি। হায়রিবা ষ্টদি অসিনা সার্স-কোভ-২দা এক্সপোজ তৌবগী চাং হন্থনবগীদমক মাস্ককী ফিট ওইবগী চাং হেনগৎহন্নবা লম্বীশিংগী মতাংদা থিজিনখি।

হায়রিবা ষ্টদি অদুদা এরোসোল পার্টিকলশিং পুথোকপা দিভাইস অমদা লোক খূবা অমদি ৱা ঙাঙবগী থৌওং ষ্টিম্যুলেট তৌহনখি। মদুদা ফিগী মাস্ক অমখক্তং শীজিন্নবা, সর্জিকেল মাস্ক অমখক্তং শীজিন্নবা, অমদি সর্জিকেল মাস্ক অমগী মথক্তা ফিগী মাস্ক অমা উপশিন্দুনা শীজিন্নবা (দবল মাস্ক) অসিনচিংবশিং অসিগী ইফেক্টিব ওইবগী চাং ইভাল্যুএৎ তৌখি।

মদুদা রিসার্চরশিংনা থেংনখি মদুদি, লোক খূবা ষ্টিম্যুলেট তৌবা মতমদা মাস্ক অনী শীজিন্নবা অদুনা এরোসোল পার্টিকলশিংগী চাদা ৮৫.৪ ঙাকথোকই। অদুগা ফিগী মাস্কখক্তং শীজিন্নবদনা চাদা ৫১.৪ অমসুং সর্জিকেল মাস্কখক্তং শীজিন্নবদুদনা চাদা ৫৬.১ ঙাকথোকই হায়বা খঙবা ঙমখি।

ৱা ঙাঙবগী থৌওং ষ্টিম্যুলেট তৌবা অদুদনা মীওইবগী কোক্কী মোদেল অনী শীজিন্নদুনা তোঙান তোঙানবা ফিভম কয়াগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেট তৌখি। মোদেল অমনা এরোসোল পার্টিকল পুথোকপা (সোর্স) অদুগা অতোপ্পা মোদেল অদুনা অহানবগী মোদেলদুনা পুথোরকপা পার্টিকলশিং অদুদা এক্সপোজ তৌবা (রিসিপেন্ট) ওইহনখি।

মদুদা রিসার্চরশিংনা থেংনখিবশিং অদুদি:

– সোর্স অদুনা মাস্ক অনী উপ্লগা রিসিপেন্ট অদুনা উপহন্দবা মতমদা, মাস্ক উপ্তুবা রিসিপেন্ট অদুগী এরোসোল এক্সপোজর অদু চাদা ৮২.২ হন্থখি।

– রিসিপেন্ট অদুনা মাস্ক অনী উপ্লগা সোর্স অদুনা উপ্তুবা মতমদা, মাস্ক অনী উপ্পা রিসিপেন্ট অদুগী এরোসোল পার্টিকল চাদা ৮৩ হন্থখি।

– সোর্স অমসুং রিসিপেন্ট অনীমক মাস্ক অনী উপ্পা মতমদা, এরোসোল এক্সপোজরগী চাং চাদা ৯৬.৪ হন্থখি।

**কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা অতোপ্পা পাম্বৈশিং:**

অনৌবা কোরোনাভাইরস অসি শন্দোকপদগী ঙাকথোকপদা মতেং পাংনবগীদমক মাস্ক উপ্পা হায়বা অসিগী মথক্তা অতৈ অহেনবা খোঙথাংশিংসু লৌখৎপা মরু ওই। খোঙথাংশিং অদুগী মনুংদা পনবা য়াবশিংদি:



**খুৎ হান্বা-** ঈশিং অমসুং সাপোন শীজিন্নদুনা খুৎ তোয়না হান্বা, মরুওইনা মীয়াম তিনবা মফমদা চৎলুরবা মতুংদা, নৎত্রগা লোক খূবা নৎত্রগা হাকথী খল্লুরবা মতুংদা। করিগুম্বা ঈশিং অমসুং সাপোন ফংদ্রগদি য়ামদ্রবদা ৬০% অলকোহোল য়াওবা হেন্দ সেনিটাইজর শীজিন্নগদবনি।

**ফিজিকেল দিষ্টেংসিং ঙাক্লা চৎপা–** য়ুমদগী চথোকপা মতমদা অতোপ্পা মীওইশিংদগী য়ামদ্রবদা ফিট ৬ লাপ্পনা লৈনবা হোৎনগদবনি।

**অকক্লবা মফমশিংদা চঙদবা–** মী য়াম্না তিনবা নৎত্রগা ভেন্টিলেসন মতীক চাদবা মফমদা চঙদনবা হোৎনগদবনি।

**দিসইনফেক্ট তৌথোকপা–** য়ুমদা লৈবা তোয়না পায়থোক পায়শিন তৌনবা সর্ফেসশিং, খুদম ওইনা থোঙগী খুৎপাইফম, টেবল মথক, অমদি লাইটকী স্বিটসনচিংবশিং চাং নাইনা দিসইনফেক্ট তৌথোক্কদবনি।

**টেষ্ট তৌথোকপা--** করিগুম্বা ইশাদা কোভিদ-১৯গী সিম্পটমশিংগী মনুংদা অমা হেক্তা মায়োক্লরবদি শুকশোয় শোয়দনা টেষ্ট তৌথোক্কদবনি অমদি রিজল্ট ঙাইরিঙৈ মনুং অদুদা য়ুমদা আইসোলেট তৌদুনা লৈগদবনি।

# সনা কোনুংগী লাঞ্জিং পুরেল মুতুম অরুনকুমার লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, মে ১১ (ঐচএনএস):

সনা কোনুংগী লাঞ্জিং পুরেল মুতুম অরুনকুমার ঙসি অয়ুক রিমস হোস্পিটালদা লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবগী অরোইবা মথৌ মঙমসু পাঙথোকখ্রে।

উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি পোইরৈতোন লাইশ্রমনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মুতুম অরুনকুমার থাঙ-তাগী মহৈদা য়াম্না কথোকপীরম্বা সনা কোনুংগী য়াম্না মরুওইবা মীওইনি। লমজিং পুরেল অসিনা তাইবংপান থোকখিবদা নিংথৌ মৈদিংঙু লৈশেম্বা সনাজাওবা য়াওনা ভিদিও কনফরেন্সকী খুথাংদা উত্রা শঙলেনগী ফম্নাইবশিং য়াওনা অরোইবা কায়না ৱাহৈ ফোঙদোক্লখি। লোয়নন্না ইমুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি। মহাক্লা হিংলিঙৈদা তৌরম্বা কয়াবু শৈথাখি। মহাক্লা লৈখিদবা অসিনা মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা অৱাৎপা অমা লৈহৌবা অসিগীদমক নিঙমদবা ফোঙদোক্তুনা লৈখিদ্রবনা তাইবং মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবসু থৌনিজখি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

## হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

### কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংবু অরাইবা মওংদা এদমিট তৌনবা লৈঙাক্লা শিনবিয়ু



মণিপুরদা হান্না ওইরমদবা মওংদা নোংমদা পোজিটিভ ওইরকপগী মওংসি মপাল লমগী ষ্টেটশিংগা মান্নরক্কদৌরে। পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং হোস্পিটালদা ট্রিটমেন্ট তৌবগী খুদোংচাবা ফংলক্ত্রিবা অসি য়াম্নমক লাইবক থীবনি। লোয়নন্না অনাবশিংগী হীদাক-লাংথকসু মতম চানা ফংহন্নবা হোৎনবিয়ু। হকচাং শাগৎপা, লাইহৌ হৌবা, চানিং-থক্লিংবা ফাওদবা তৌরক্লিবা অসি মরি লৈনবশিংনা পাউতাক পীহন্নিংই। হীদাক কাপ্পা লাক্লিবা মীওইশিংনা এস ও পি ঙাক্লা চৎপিয়ু। হীদাক কাপ্পবা ঙাইবদা মী পুন্না-পুন্না লৈনরিবসি তৌবিগনু। কোভিদ-১৯না ৱানরবা মতম অসিদা লনাইগী হোস্পিটালদা এদমিট তৌবা অমসুং লায়েংবদা শেল য়াম্না চাওনা-চাওনা লৌরিবসি খরদং পীকথনা লৌহন্নিংই। লৈখিদবা য়াওরকপদা মথৌ-মঙম পাঙথোকপদা লৌবিরিবা শেলসু পীকথনা লৌহন্নিংই। লৈবাক মীয়াম পূন্নমক অসি কোভিদ-১৯গী ৱাগদ্রা, চান্নবগী ৱাগদ্রা অৱাবগী পন্দোম লোম্বা হায়বদু য়ৌরবা মতমনি। মরম অদুনা হৌজিক-হৌজিক লৈবাক মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবশিং লৈঙাক্লা উবিদুনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবিয়ু হায়জরি।

❐ ওইনাম কুঞ্জকেশ্বর, লাংজিং অচৌবা

### মীয়াম্না হকচাং ফনা লৈনবগীদমক শাজেল তৌসি কোভিদ-১৯বু মায়থিবা পীবা ঙম্নবা



নুংতিগী কোভিদ-১৯গী শিবা-নাবগী মশিং হেনগৎলকপগী তারিবা পাউ ময়াম অসিগী মরক্তা হকচাং ফনা লৈনবা শাজেল তৌবা হায়বসিসু য়াম্নমক মথৌ তারক্লি। শাজেন তৌবনা হকচাংগী ওইনা তোঙান-তোঙানবা ওর্গান মপাঙ্গন কনখৎহনবতা নত্তনা পুক্নিং লৌশিংদসু অফবা ৱাখল খলহন্দুনা কান্নবা কয়া পী হায়বসি চুম্লবা ৱাফমনি। অদুনা নোংমগী মনুংদা য়ামদ্রবদা পুংখায় অমদি শাজেল চাং নাইনা তৌমিন্নসি। নৎত্রবদি তারিবা অমদি থোক্লিবা ময়াম অসিনা পুক্নিং ৱাখলদা অকায়বা পীদুনা হেন্না অকিবা মীপাইবা পোকহল্লকপসু য়াই। হকচাং খিং-খিং লাউনা লৈরবদি ইম্যুন সিষ্টমসু মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা লায়না অসিগা লান্থেংনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি। হায়নবা লৈ অমম্বদা মম্মি হায়দুনা তকশি শোন্দুনা লৈদৌ শরুকপুদি কেন্দল অমত্তা ওইরবসু চুখৎতুনা লৈবনা হেন্না ফৈ। অদুনা পুক্নিং শোম্থনা নত্ত-নত্তবা ৱাখলদা করম্না হিংগদৌরিবনো তৌরিসিদি হায়বনচিংবা খন্দুনা লৈবগী মহুৎতা য়ুমগী অকোয়বদা তৌবা য়াবা থবকশিং লোয়নন্না তৌবা য়াবা হকচাং শাজেল ইশাগী ঙমজবশিং তৌদুনা লৈমিন্নসি। লোয়নন্না চিঙাক অফবা চাদুনা হকচাং ফনা লৈবনা প্রাইওরিটি ওইনা থমদুনা পূন্না লান্থেংমিন্নসি।

❐ প্রেম কৈশাম, য়াইরিপোক বিষ্ণুনহা

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নৎত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১২।০৫।২০২১ ইং, য়ুমশাকৈশা;
কালেনগী নোংমা পানবা।

মেষ: অয়ুক পুং ৭ফাওবা অফবা খোংশাল লৈ। লাইগুরুনা চাল্লি। অনিংবা থবক্তি পাংগনি, অয়েৎপা খরদি হন্থরনি। ৱাঙাং হৈত্রদি লনদা তাইনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- চরাংগনু-ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক।

বৃষ: চিংনবা খরা লৈরসু হরাওবা অমদি নিংবা থুংবা লৈগনি। য়েক্লবা হন্থখিনি অমদি মীয়াম্না য়াগনি। লৌশিং ফুদোকপদি ৱাই-অখং অহৈ তান্নবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

মিথুন: অয়ুক অঙনবদা পাংবা থবক খুদিং শোইদনা মাই পাক্কনি-য়াহৌ থেংলদি লাইবক লৈররোই। অদুবু নক্লবশিংগী মতেং লৌরদি কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- কাইনবা য়াবা লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেং।

কর্কট: থবক পাংগনি, লনসু চংগনি অমদি ঈকাই খুম্নবা ফংজগনি।ঙাং-শকপা হৈবনা থাজদবা কান্নবা ময়াম অমসু ফংবা য়াই। অশাওবদি তুংওইনৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

সিংহ: মীপাইরম্বা কোকচরনি, অনৌবা অশা লাক্লনি, অয়েৎ অপন লৈরল্লসু মাংখ্রনি অমদি ঙাইজরকপগী কান্নবা ফংগনি। মীৱা হেন্না থাজগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কন্যা: হেন্না অশা চাওবা অমদি খুৎ চাওবা কান্নরোই। অয়াম্বা থবকতি নথক থোংবগী ৱা তারগা পাংবা কান্নগনি, মীয়াম্নদি হান্নদগী হেন্না চানবীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

তুলা: পুং ৭ ফাওবদা অনিংবা থবক পাংগদবা খোংশাল লৈ-মতুংদি নিংবা মপা চারোই। ইমুং-মনুংগী ৱা তাবা অমদি থৌনা ফুদোকপনদি মাই পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নাপল তৌরদি কাইননি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

বৃশ্চিক: খ্বাইদগী হেন্না নিংবা থুংগনি, নথক থোংবনসু শোইদনা চানবীগনি অমদি মরুপ মপাংনা লুনা লৌবা নুমিৎনি। অদুবু ৱাদি য়াম্না ঙাংদবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- তাশিনবদা ওইয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

ধনু: লাইবক ফবা লৈরনি, নিংথিনা খন্থরদি শোইদনা অনিংবা অফবা থবক পাংবা ঙমগনি। মীয়ামগা মরি ফত্তবা অমদি ফংবা য়াবা পনবদি লৈরি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা খরদি থুংলনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মকর: নচা ননাইগী লমদা অফ-ফত্ত য়ান্নে। নাপলনা মাংওইনরদি অচানবা কাইননি। মীচং খোম্বা অমদি পাংঙমদবা থবক্কী লমদদি নুংঙাইজৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা য়াম্না চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

কুম্বা: অঙনবদা নিংবা থুংগদবা খোংশাল লৈ। থেংলদি মতম মাংদুনা তোক্কনি। মরুপ অমদি অশাওবনা তাথিরসু মীংচৎতি হেন্না হেন্না ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাংথোকপা পকচৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

মিন: মাই পাকচৌ অমদি নিংবা থুংজৌ হাইবা লৈ। য়েৎনবদসু মাই পাক্কনি অমদি ফমথোল ফংবুগম নুংঙাইজৈ। হেন্না হৈশিংবা শারদি কাইনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হাইজবা তাবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/ফৌ।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।